# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-02-2025)**

**এরেষ্ট (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন কায়বা থৌদোকশিং থোক্তনবা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লৈরোংথেল চিত্রা ভিলেজ এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, জিলা অসিগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইরোং ভিলেজগী মফমশিংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স রাইফল অমা, হায় এক্সপ্লোশিব হেন্দ গ্রেনেদ মরি, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, টিয়ার স্মোগ সেল এল.আর. অমা, আইটি এম.কে.ৱান গ্রীন স্মোগ অনি অমদি ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী মেগজিন অনি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-গানেন্দ্র প্রতাব সিংহনা ঙরাং রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফাল মনিপুরগী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা হায়-উন্নবা অদুদা সি.আর.পি.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-গানেন্দ্র প্রতাব সিংহনা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সা ঙাকবা সি.আর.পি.এফনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি দিপ্লোইমেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া পাউদমখি।

নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-ৱাই. জয়কুমারনা লুচিংবা কাংবু অমনসু রাজ্যপাল শ্রী আজয় কুমার ভাল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

অমরোমদা, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া-গুৱাহাতি সার্কলগী চীফ জেনরেল মেনেজর-এস. রাধাকৃষ্ণননা মহাক্কী ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা রাজ্যপাল শ্রী অজয় কুমার ভাল্লাগসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বেঙ্কক্কী মায়কৈদগী  পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তেংনৌপলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু মফম অদুগী মীয়ামদা মিৎকী চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবা অমদি মিৎকীদমক পীবা য়াবা পোৎলমশিংগী পীনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা মীওই ৩৫০ রোম শরুক য়াখি।

**সেনাপতি (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা, ক্লিন সেনাপতি রিভর কেম্পেইনগী মনুং চন্না ঙরাং সেনাপতি তুরেল য়েংশিনখ্রে।

কেম্পেইন অদুগা য়েংশিন খোঙচৎ অদু সেনাপতিগী এ.দি.এম. শ্রী রাং দেবিত কুং অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল-সেনাপতিগী সি.ই.ও. শ্রী অধারি মাহিয়োনা লুচিংদুনা সেনাপতি জিলাগী পুলিস বিভাগ, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন অমসুং কারোং-সেনাপতি টাউন্দ কমিতিনা পন্না

য়েংশিনখিবনি।

**দিল্লিঃ** দিল্লিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা রেখা গুপ্তা ঙসি ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপদা দিল্লিগী রাম লীলা মৈদানদা পাঙথোক্কনি। দিল্লিগী উপ রাজ্যপাল-ভি.কে. সখসেনানা মহাকপু অরোনবা ঙাকপা অমসুং থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি। রেখা গুপ্তা দিল্লিগী সালিমার বাঘ বিধান সভা কেন্দ্রদগী মায় পাক্লকখিবনি।

থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ শরুক য়ারবা য়াই হায়রি। তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমদি উপ মুখ্য মন্ত্রিশিংসু থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা বার্ত্তন তৌখ্রে।

**দাইলোগঃ** ৯ শুবা এসিয়া ইকোনোমিক দাইলোগ ঙসি মহারাস্ত্রগী পুনেদা হৌদোক্লগনি।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা থৌরম অসি মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ব্রেক ৱান পোইন্ট ফাইব দাইলোগ ওন জিও ইকোনোমিক্সকী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা সরকারগী মীওইশিং, একাডমিসিয়ানশিং অমসুং উদ্যোগশিংগী খঙ হৈরবশিং য়াওনা মপান লৈবাক্কী মীওই কয়ানা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোকগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা সোল লিদরসিপ কনক্লেপকী অহানবা এদিসন হৌদোক্কনি।

ভুটানগী প্রধান মন্ত্রি-দসো টি. সেরিংনা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা কনক্লেপ অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়ানা লম কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**নক্সলাইটঃ** মধ্য প্রদেসকী বালাঘাট জিলাদা হোক ফোর্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপুনবা কাংবুগা ঙরাং নক্সলাইটশিংগা নোংমৈ কাপবদা নক্সলাইটকী হকচিনবা মীওই অহুম শিরে। শিরবশিং অদু নুপী ঙাক্তনি।

খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু রোন্দা ফোরেষ্ট কেম্প মনাক্তা থোকখিবনি। মখোয়দগী ইনসাস রাইফল অমা, এস.এল.আর. অমা অমসুং থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমগা লোয়ননা অতৈ পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা হৌখিবা, সেক্রেটরিয়েটতা মিনিস্তরশিংগী ওফিস থোং লোনশিনখিবা, নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-ৱাই. জয়কুমারনা লুচিংবা কাংবু অমনা গভনরগা উন্নখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

জিরিবামদা মীহাৎ থিনা হাৎখিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ৮ গী লুপা লাখ ৮০ গী এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম সেঙ্কন তৌরে হায়বা পাউ অমদি প্রসিদেন্ট রুলগী লৈঙাকা লান লেপহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলব্রা, ইলিগেল আমশিং খোমগৎকদৌরি। নোংমৈ সরেন্দর তৌরকপশিং ঙাকপীগদৌরি। তৌরক্তবশিংনা চৈরাক ফংগদৌরি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট অসিগী এন.পি.পিগী লুচিংবশিংনা গভনর উন্নখিবগী পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেল, মোরনিং বেল পাউচেশিং অসিদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ম্যান্মারগা তায়নবা মিজোরামগী চম্ফাইদগী ক্রোর ৭১ রোমগী ড্রগ ফাগৎখ্রে। ঙমখৈদা অকনবা থবক লৌখৎকনি-গভনর হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। রেখা গুপ্তনা দিল্লিগী সি.এম. ওইরগনি হায়বা পাউ অসিসু পাউ অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদসু ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্বগী ৱাফম বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা পুখৎতুনা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমদি ঐচ.এস.এল.সি. ইগজাম হৌখ্রে। মফম খরদা নত্তবা পান্বে শিজিন্নবা থিংলুবদা ইরাং থোকখ্রে। ফ্লায়িং স্কাউটকী গাড়ি থুগায়রক্লে হায়বা পাউনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মিনিস্তরশিংগী ওফিস থোং লোনশিনখ্রে। গভনর অজয় কুমার ভাল্লা সেক্রেটরিয়েটতা ফমবা ওফিস হাংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্টরনা মনিপুর গভনরগী এদভাইজরিশিং হাপ্লকপগী ফিভমদা লৈরে। বি.জে.পিগী এম.এল.এ. খরদি সেন্টরনা হাপ্লকপা লুচিংবশিংদা শৌগৎকনি হায়নরে হায়বা পাউ অমসুং মেত্রিক ইগজামদা পুলিস পার্সোনেল অমনা খোঙবাল চেল্লম্বা থেংনরে হায়বা মহৈলোই লুপ দেসামনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেমদা লৈবা স্কুল বিল্ডিং অমা নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন ইগজাম হৌদোকখিবগী পাউ অসি তমেংলোং টাইমস য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংনরি।